## ইরানদা শিবা ৮৫৩ শুরে

দুবাই, মার্চ ১৬ (এজেন্সি) :

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইনৌ নৌনা মীওই ১২৯ শিখিবগা লোয়ননা অনৌবা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা ইরানদা শিখিবা মী মশিং পুন্না ৮৫৩ য়ৌরে অমদি হৌজিক ফাওবগী ইনফেক্সন মশিংনা ১৪,৯৯১ য়ৌরে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখ্রে।


চাইনাগী ৱাংমদা খ্বাইদগী শাথিবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইরানদা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ অদু লাকশিন্নবগীদমক্তা ওফিসলশিংনা মীয়ামদা য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা আপিল তৌখ্রবনি।

## টিভি ব্রিফিং পীরগনি

লন্দন, মার্চ ১৬ (এজেন্সি) :

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থেংননবা য়ু কেনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং মীয়ামদা লেপ্তুনা খঙহন্নবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী নুংতিগী ওইনা টেলিভাইজ প্রেস কনফরেন্সশিং পাঙথোক্লগনি হায়না হায়না দাউনিং ষ্ট্রিটনা ফোঙদোকখ্রে। নিংথৌকাবা নুমিত্তগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জে ান্সন নৎত্রগা সিনিয়র মিনিষ্টর অমনা মিদিয়াদা ৱা ঙাঙলগনি।

# ইজরেলগী প্রসিদেন্টনা নেট্টনয়াহুগী পোলিটিকেল লম্বা গান্টজতা গভর্নমেন্ট শেম্নবা খঙহনখ্রে



জেরুসলেম, মার্চ ১৬ (এজেন্সি) :

ইজরেলগী ওপোজিসন লিদর বেনি গান্টজনা লৈবাক অদুগী মথংগী গভর্নমেন্ট শেম্নবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইজরেলি প্রসিদেন্টদগী ওফিসল ওর্দর অমা ফংখিবগা লোয়ননা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেট্টনয়াহুদা মহাক্না লুচিংদুনা শেমগদৌরিবা য়ুনিটি এদমিনিষ্ট্রেসন্দা য়াওননবা তকশিনখ্রে।

মার্চ ২ গী মীখলদা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখ্রবা নেট্টনয়াহুগী ওইনা য়াম্না নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমদা পার্লিয়ামেন্টকী লেজিসলেটর ১২০ গী মনুংদগী ৬১ না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইজরেলি প্রসিদেন্ট রিয়ুভেন রিব্লিনগা তান্নরগা সেন্ট্রিষ্ট ব্লু এন্দ হ্বাইট পার্টিগী লিদর গান্টজপু শৌগৎখি।

টেলিভিজনদা শন্দোকখিবা থৌরম অমদা রিব্লিননা গান্টজতা চয়োল অনীগী মতম শাংদোকপগী ওপসনগা লোয়ননা রুলিং কোলিসন অমা শেম্নবগীদমক নুমিৎ ২৮ নিগী মতম পীখি। তৌইগুম্বসুং গান্টজ পু শৌগৎলিবশিংদা ওপোজিসনগী কাঙবুশিং ওইরিবা অরাব পার্টিশিং অমসুং হান্নগী দিফেন্স মিনিষ্টর অভিগদোর লিবরমেননা লুচিংবা ফার-রাইট য়িসরেল বৈতৈনু ফেক্সন য়াওবদগী চৎনবা য়াবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্বা হায়বসি অহেনবা পোলিটিকেল ফোর্সশিংগী সপোর্ট য়াওদনদি অরুবা থবক অমা ওইবগী ফিভম লাকখি।

নেট্টনয়াহু অমসুং লিবরমেন্না কোরোনাভাইরসকী ক্রাইসিস থেংননবা থা ৬কী ওইবা ব্লু এন্দ হ্বাইট পার্টি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী রাইট-ৱিং লিকুদ পার্টিগী নেসনল ইমর্জেন্সি গভর্নমেন্ট অমা শেম্বগী ৱাফম হৌদোকখ্রবনি। নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লৈবাক্কী খনবা পার্টিশিংগী ওইবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরগনি হায়না মরী লৈনবা খুদিংমক্তা ঐহাক্না থাজবা পীরি হায়না গান্টজনা নোমিনেসনগী থৌরমদা অকুপ্পা ৱারোল পন্দবীদা ফোঙদোকখি।

চহী অমা ফাদবা মতমগী মনুংদা ইজরেলদা থংনা থংননা পাঙথোকখিবা মীখল অহুমদা গভর্নমেন্ট শেম্বা ঙমখিদবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নেট্টনয়াহু করপসনগী মরালশিংদা ৱায়েল চথবগী মতম ঙাইরিবনি।

# শ্রীলঙ্কাদা কোভিদ-১৯গী লাইওংশিং লোৎশিন্দুনা থম্না মীওইশিং থা ৬ জেলদা লৈরগনি



কলম্বো, মার্চ ১৬ (এজেন্সি) :

শ্রীলঙ্কাদা নোভেল কোরোনা-ভাইরসকী লাইওংশিং লোৎশিন্দুনা থম্লম্বা মীওই খুদিংমক থা ৬ জেলদা লৈবগী চৈরাক ফংগনি হায়না কেপিটেল কলম্বোদা সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসল অসিনা মখা তারদুনা ইথৎ লৈবাক অদুগী মীওই কয়া কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংদগী লাক্লবসু ক্বারেন্টাইন সেন্টরশিংদা লৈতনবা হোৎনবা য়াওরি হায়না ফোঙদোকখি।

সিনিয়র ইন্সপেক্টর, দি আই জি অজিৎ রোহনানা হায়খি মদুদি, অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনা অতৈদা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা য়াবগী খুদোংথিবা ফিভম চাওনা লৈবা মরম্না মখোয় ৱারেন্ট অমত্তা য়াওদনা ফানবগী খোঙথাংশিং লৌখৎলগনি।

ইথৎ লৈবাক অসিগী পুলিস দিপার্টমেন্টনা হায়রি মদুদি, খোঙথাং অসিগা লোয়ননা সোসল মিদিয়াগী খুত্থাংদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা অরানবা তোকঙাশিং শন্দোক্লিবা মীওইশিংগী মায়োক্তসু লোগী ওইবা অকনবা খোঙথাংশিং শোয়দনা লৌখৎলগনি। ভাইরস অসিগী মরমদা অরানবা অসিগুম্বা পাউ শন্দোক্লম্বগীদমক্তা মীওই ২৩ ফাগৎপা লৈখ্রবনি।

# কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবা ইরাক্কী প্রোভিন্স কয়াদা কার্ফিয়ু থমখ্রে



বাঘদাদ, মার্চ ১৬ (এজেন্সি) :

ইরাক্তা মীওই ৯ গী পুন্সি লোমহনখ্রবা কোরোনাভাইরস শন্দোকপগী চাং য়ারিবমখৈ হন্থহন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা ইরাকি ওথোরিটিশিংনা প্রোভিন্স কয়াদা কার্ফিয়ু থমখিবগা লোয়ননা ফ্লাইটশিংসু সস্পেন্দ তৌখ্রে।

গভর্নমেন্টনা অনৌবা শাথিরবা ভাইরস অদু থেংননবা শেম্বা ক্রাইসিস কম্মিটিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী মার্চ ২৪ ফাওবা বাঘদাদ সিটিদা কার্ফিয়ু থম্লগনি। অথিংবশিং অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং, হেল্থ ক্যের অমদি সর্ভিস সেক্তরগী পর্সনেলগা লোয়ননা জ র্নেলিষ্টশিংদি য়াওরোই হায়না ইফে ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

অৱাং থংবা সালাদিন প্রোভিন্সতা লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী মার্চ ২৫ ফাওবা মীয়াম্না লন্বীশিংদা চৎপদা অথিংবা লৈরগনি। গভর্নরগী ওফিসতা মিদিয়া ওফিসর ওইরিবা জমাল অকাবকী মতুং ইন্না প্রোভিন্স অদুদা চঙবা অমদি মদুদগী থোক্লকপনচিংবা পুম্নমক কার্ফিয়ু মনুংদা অথিংবা লৈরগনি।

প্রোভিন্স অদুদা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবগী পান্দমদা লৌখৎলক্লিবা চৎথোক-চৎশিনগী অথিংবশিং অদুনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং নৎত্রগা হেল্থ ক্যের অমদি সর্ভিস সেক্তরগী পর্সনেলশিংদি কোল্লোই হায়না পনবগা লোয়ননা অকাবনা মখা তানা হায়খি মদুদি, হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোরোনাভাইরসকী কেস রিপোর্ট তৌবা লৈত্রিবা প্রোভিন্স অদুদা পোৎ-চৈশিং অমদি থাউ পীথোক-পীশিন তৌবগী থবকশিংদি মখা তানা চথখিগনি।


কারবালাদা গভর্নর নাসেফ অল-খাতাবিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী চৎনবা হৌগদবা নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা কার্ফিয়ু লাউথোকখি। ধি কারদসু চৎথোক চৎশিনগী থবক পুম্নমক নিংথৌকাবা নুমিত্তগী অথিংবা লৈরগনি।

নিনেভেব প্রোভিন্সনসু মান্নবা খোঙথাং নুমিৎ নিনিগী মমাংদা লৌখৎখ্রবনি। ইর্বিল অমসুং সোলেমানিয়া প্রোভিন্সশিংদসু মার্চ ১৪ দা লাউথোকখিবা অথিংবশিং মখা তানা নুমিৎ হুম্নি চৎনহনগনি। কম্মিটিগী মতুং ইন্না লৈবাকপোকপা নুমিত্তগী মার্চ ২৪ ফাওবা ইরাক্তা ফ্লাইট খুদিংমক লেপহনবগা লোয়ননা প্রোভিন্সশিংগী মরক্তা চৎথোক-চৎশিন তৌবসু লেপহল্লগনি।

# গ্লোবেল কোভিদ-১৯ কেস মশিংনা চাইনাগী মশিংদগী হেল্লে

জিনিভা, মার্চ ১৬ (এজেন্সি) :

চাইনাগী ৱাংমদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মালেমগী মফম কয়াদা কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরস কেস ৮৩,০০০ হেন্না রিপোর্ট তৌদুনা হৌখিবা দিসেম্বরদা ভাইরস অসি ইহান হান্না দিটেক্ট তৌখিবা চাইনাগী হৌজিক ফাওবদা লৈরিবা অপুনবা ইনফেক্সন মশিংদগী হেল্লে হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী স্পোক্সপর্সন অমনা ফোঙদোকখ্রে।




স্পোক্সপর্সন অদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ হৌজিক মালেমগী লৈবাক অমসুং লমদম ১৪৬তা শন্দোকখ্রে। চাইনাগী নেসনল হেল্থ কম্মিসনগী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিৎকী অথেংবা ফাওবদা লৈবাক অসিগী কনফার্ম তৌরবা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং ৮০,৮৬০ ওইখি অমসুং অশিবশিংগী মশিংনা ৩,২৩০ ওইখি।

চাইনাগী ৱাংমদা ইটালিনা কোরোনাভাইরস কেস অমদি অশিবশিংগী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না রিপোর্ট তৌদুনা মথংশিংনা ২৪,৭৪৭ অমসুং ১,৮০৯ য়ৌখি। হৌজিক লৈবাক অসি য়ুরোপতা লায়না লাইচৎ অসিগী ইপিসেন্টরনি হায়না লৌনরে। নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা চাইনা য়াওনা মালেমগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা শিহনবা মী মশিং ৬,৫০৬ য়ৌখ্রে।

চৈরকসিদা স্পেনগী কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং নিংথৌকাবা নুমিত্তা ৮,৭৪৪ য়ৌরে অমসুং অশিবশিংগী মশিংনা ২৯৭ য়ৌরে হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ ইমর্জেন্সি সেন্টরগী মকোক ফর্নান্দো সাইমোননা ফোঙদোকখ্রে।

মমাংগী নুমিত্তা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং পুন্না ৭,৭৫৩ লৈখিবগা লোয়ননা শিখিবা মী মশিংনা ২৮৮ ওইখিবনি। অমরোমদা, জপানিজ গভর্নমেন্টনা লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা য়ারিবমখৈ লাকশিন্নবা হোৎনবগী থৌরাংশিংগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামদা য়ুরোপকী মফম অয়াম্বদা চত্তনবা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেনা ফোঙদোকখ্রে।

# স্কুল থিংদবগীদমক্তা মমা অমনা লিগেল চেলেঞ্জ থাঙ্গৎকদৌরি




বেলফাষ্ট, মার্চ ১৬ (এজেন্সি) :

কোরোনাভাইরস চঙলকপা য়াবগী রিস্ক হেন্না মায়োক্লবগী ফিভম লৈরবা মশাদা হকশেলগী প্রোব্লেম খরা লোয়নরীবা নুপীমচা অমগী মমা ওইরিবা নোরদর্ন আইরলেন্দগী নুপী অমনা বৃটিশ গভর্নমেন্টকী স্কুলশিং কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ মরক্তা মখা তানা হাংহন্দুনা থম্নবগী ৱারেপগী মায়োক্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইমর্জেন্সি লিগেল চেলেঞ্জ অমা হৌরগনি হায়না মহাক্কী উকিলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা হৌজিক স্কুলশিং থিংজিনবা অমদি মীয়াম পুনবদা অথিংবা থম্বগুম্বা থৌরাংশিং লৌখৎপগী মতম ঙনমল্লি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা য়ারিবমখৈ থিংনবা হোৎনবগী মতাংদা বৃটেন্না নোরদর্ন আইরলেন্দগা ইহাং হাংবা ঙমখৈ লোন্নরিবা আইরলেন্দগুম্বা ঈ য়ুগী লৈবাকশিংগী থৌরাংশিংগা মান্নদবা ৱারেপ লৌরকখিবনি।

বোর্দর কাউন্টি অর্মাগতা লৈবা প্রাইমারি স্কুল অমদা মচা লাইরিক তম্লিবা মমা অদুনা মহাক্কী ইমর্জেন্সি জুদিসল রিভিয়ু অমা এপ্লাই তৌনবগী ফিরেপকী মতাংদা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা লমদম অদুগী এদ্যুকেসন ওথোরিটিশিং অমসুং হেল্থ অমসুং এদ্যুকেসনগী মিনিষ্ট্রশিংদা নোটিস অমা থাখি।

মরী লৈনবা পব্লিক বোদিশিংনা ঐখোয়গী ক্লাইএন্টতা মখোয়গী তৌফম থোকপশিং তৌবা ঙমখিদ্রে হায়বসি য়াম্না শেংলে। তশেংনমক অঙাং খুদিংমকপু হৌজিক্কী লুরবা তানফম অসিদা মখা তানা স্কুল কাহন্নবা ৱারেপ লৌদুনা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন থোকহনবা য়াবগী রিস্ক হেন্না মায়োক্ল হল্লে হায়না ফিনিক্স লোগী উকিল দারাগ মেকিনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা হৌজিক ওথোরিটিশিংগী মায়কৈদগী থেংথনিংঙাই মতম অমত্তা লৈত্রে অমদি থাঙ্গৈশেংনা হৌজিক হৌজিকমক লৈরিবা খুদোংথিবা ফিভমশিং খঙই হায়বসি উৎকদবা মওংদা তঙাইফদবা পোলিসিশিং পুথোক্কদবনি অমসুং ৱারেপশিং লৌগদবনি হায়না ফোঙদোকখি। লমদম অদুগী জুরিসদিক্সন অনীগী তোঙান তোঙানবা পোলিসিশিংনা নোরদর্ন আইরলেন্দগী পৱার সিয়রিংগী মতাংদা য়ানদবা কয়া থোক্লকখিবনি।

# টালিবান প্রিজনরশিং থাদোকপগী থৌরাং মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে

কাবুল, মার্চ ১৬ (এজেন্সি) :

অফঘান গভর্নমেন্টনা টালিবান প্রিজনর ৫০০০ থাদোকপা হৌবগী থৌরাং অমা মতম কক্তনা য়ৈথোকখ্রে।



মিলিটেন্ট গ্রুপ অদুনা মখোয়গী ফাইটরশিংবু অমুক হন্না খুৎলায় পায়হল্লোই হায়বগী থাজবা পীবা ঙমদবদগী অফঘান গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী লৌরক্লিবা ৱারেপ অসিনা হন্দক্তা লৈবাক অদুদা হাৎন-শুনবগী থৌদোকশিং হন্থহন্নবগীদমক্তা খুৎয়েক পীনখিবা পিছ দিল অদু হেন্না লুশিনহনবা য়াই হায়রি।

অফঘান মশেল ৱারী শানবা য়ানবগী লম্বী ফাৎননবা য়ু এস অমসুং টালিবানগী মরক্তা পুরকখিবা পিছ দিল অদুগী শরুক অমা ওইনা প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানিনা হৌখিবা চয়োলদা টালিবান প্রিজিনর ৫০০০ তাঙ্কক নাইনা থাদোকপা হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা কাবুলনা ৱারেপ অসি লৌরকখিবনি।

গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী লেপখিবা থাংজ নুমিত্তা প্রিজিনরশিং থাদোকপা হৌবগী মতম থবক ওইনা পাঙথোক্তনা হৌখ্রবা মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অদুগী নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী স্পোক্সমেন জাবিদ ফাইশালনা হায়খি মদুদি, গভর্নমেন্টনা টালিবান প্রিজিনরশিংগী লিষ্ট অমা শেম্বগী থবক কন্না চথরি। তৌইগুম্বসুং মদু লোইশিনবদা মতম কয়াম চঙখিগদগে হায়বদু তশেংনা হায়বা ঙমদে। মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, টালিবান্না মখোয়গী ফাইটরশিংবু অমুক হন্না খুৎলায় পায়হনবা তৌরোই হায়না থাজবা পীবা ঙমখিদ্রবা মতুংদা টালিবান প্রিজিনরশিং অদুগী লিষ্ট শেম্বদা তঙাইফদনা মখোয়না মতম খরা লৌরিবনি। টালিবানগী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবদা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নিংবগী অচেৎপা ফিরেপ উৎলক্ত্রি হায়খি।

# ন্যু জিলেন্দগী পি এমনা মী ৫০০ নৎত্রগা হেন্না পুন্দনবা আপিল তৌখ্রে

ৱেল্লিংটন, মার্চ ১৬ (এজেন্সি) :

কোরোনাভাইরসকী লাইচৎকী অরুবা ফিভম্না মরম ওইদুনা মী ৫০০ নৎত্রগা হেন্না আউটদোর অমসুং ইন্দোরদা পুনবগী থৌরমশিং কেন্সেল তৌগদবনি হায়না ন্যু জিলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর জসিন্দা অর্দেননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী ৱারোল অদুদা ৱারেপ অদু ন্যু জিলেন্দরশিংগী খ্বাইদগী ফগদবদু য়েংদুনা লৌখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

প্রেস কনফরেন্স অমদা অর্দেননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, মীওই ১০০০ হেন্না শরুক য়াগদবা থৌরম ১০৭ লোম মথংগী থাদা লৈবাক্কী মফম কয়াদা পাঙথোক্ননবা থৌরাং তৌবা লৈরে। অসুম্না মী পুনবগী থৌরমশিং কেন্সেল তৌরিবসি কোভিদ-১৯ শন্দাকপগী খোঙজেল তপথহন্নবা, ভাইরস অসিনা শোকহনবা মী মশিং হন্থহন্নবা অমদি হান্নদগী হকচাংগী প্রোব্লেম কয়া লৈরবা মীওইশিংবু অরুবা লায়নাশিং লাক্কদবগী ঙাকথোক্লবগী পান্দমদনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন্না স্কুলশিং অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংগা তান্নদুনা য়ারিবমখৈ মী মশিং য়াম্না পুনবা হন্থহন্নবা হোৎনরগনি হায়না অর্দেননা মখা তাখি। শাথিরবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চয়োলগী অরোয়বা শরুক্তা সেদ্যুল তৌখিবা ওকলেন্দগী পাসিকিফা ফেষ্টিভেল অমদি মার্চ ১৫ গী ক্রাইস চর্চ টেররিষ্ট এটেক্কী মেমোরিএল সর্ভিস কেন্সেল তৌখ্রবনি। গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী লাইচৎ অদুগী মতাংদা ন্যু জিলেন্দগী ইকনমিক রেস্পোন্সসু থুনা লাউথোক্লগনি হায়রি।

ওফিস ওফ দি
ইম্ফাল ম্যুণিসিপাল কোঁপোরেসন
প্রেস নোট
ইম্ফাল, তাং ১৬-০৩-২০২০

No. IMC/54/RO/Str-Vnd/2014-16 : হন্দক মরম খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল-টেমপররি মার্কেৎতা ইম্ফাল ম্যুণিসিপাল কোরপোরেসন-না ভেন্দর কার্ড শাগদৌরে হায়বগী তোকঙা অমা শন্দোরক্লে হায়বগী পাউ ফংলে। তোকঙা অসি শন্দোক্লদুনা মীওই খুৎপু অমনা কার্ড শাবীগনি হায়দুনা মীওই ময়াদগী শেল (পৈশা) খায়গৎপগী পাউ ফংই। ঙসিগী প্রেস নোট অসিনা মরি লৈনবা মীপুম খুদিংদা খংহনজরি মদুদি হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা ইম্ফাল ম্যুণিসিপাল কোরপোরেসন-না অনৌবা কার্ড শাবা নত্রগা লাইসেন্স পীবগী ৱাফম শুক্লৈজদে। তোকঙা থাজবীগনু : চিংনবা কোক্লবা ইম্ফাল ম্যুণিসিপাল কোরপোরেসনগী ম্যুণিসিপাল কম্মিস্নার উন্নবীয়ু।

মশাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা মীয়াম্বু নমথাক তৌদুনা শেনখাই থুমখাই তৌরিবা মীওইশিং থেংনরবদি মনাক নকপা পুলিস নত্রগা আই.এম.সি দা পাউ পীবীয়ু।

Sd/- K.Chandrakumar Singh
Municipal Commissioner,
Imphal Municipal Corporation

HL-B/6128/17

J. N. INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES
POROMPAT, IMPHAL EAST.

CORRIGENDUM

Imphal, the 16th March, 2020

No.01/711/Staff Recruitment/JNIMS/20:-/2574 In partial modification of this Institute Notification of even no. dated 12th March, 2020 the pay scale for the posts of **Dialysis Room Technician, ECG Technician, Manifold Technician** and **Radiographic Technician** shall read as Rs 5200-20200+ GP **2400/-** instead of Rs 5200-20200+ GP **2800/-**.

Sd/- Prof. Th. Bhimo Singh
Director,
J.N. Institute of Medical Sciences

HL-B/6126/17

## য়ু এস কোংগ্রেসকী ষ্টাফর অমসু পোজিটিভ ওইরে

ৱাশিংটন, মার্চ ১৬ (এজেন্সি):

য়ু এস হাউস রিপ্রজেন্টেটিভ দেবিদ সোইকর্টকী ৱাশিংটন দি সী ওফিসকী ষ্টাফ মেম্বর অমা নোভেল কোরোনাভাইরসকী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরল্লে হায়না মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা সোইকটকী ওফিসনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, লোকেল হেল্থ ওফিসলশিংনা পীবা পাউতাকশিংগী মতুং ইন্না ষ্টাফ মেম্বর অদু ময়ুমদা নুংঙাইনা পোত্থাদুনা লৈরি।

চৈরকসিদা কোংগ্রেসমেন অদুনা হায়খ্রে মদুদি, মহাক্কী ৱাশিংটন দি সী ওফিস মখা তাবা নোটিস থোক্ত্রিফাওবা ষ্টাফ মেম্বরশিংনা ময়ুমদা লৈরগা থবক শুগদবা মরম্না থোঙ লোল্লগনি।

মার্চ ১১ দা সীনেটর মরিয়া কানৱেলনা মহাক্কী দি সী ওফিসকী মেম্বর অমা চাংয়েংদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরল্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না লাউথোকখিবা অদুনা কোংগ্রেসকী ষ্টাফর অমনা ভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বগী অহানবা থৌদোক ওইখি।

